# রাইটর্স এক্সপ্লোরেসন ত্রিপ (৪) - উনসি ৱারীনসি খঙমিন্নসি হায়না পাউজেল্লিবা খোঙচৎ

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -




- ওজা, হিষ্ট্রি সোসাইটিগী থিজিন খোঙচৎ অদু তাং ১৬, নোংমাইজিং নুমিৎতা তারে।
- মফমদি কদাইদা তারে ওজা?
- ক্বাথা অমদি মোরেদা চৎলগনি।

সেক্রেটরি ওজা ডা. পুখ্রম্বম রাজেন্দ্রনা ঐঙোন্দা পাউ পীরকখিবদু এপ্রিল তাং ১১দনি। খল্লি পূক্লিংদা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাঙ দিসেম্বর থাদসু ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোক্লুরে। মোরেসু য়ৌশিল্লুই। এপ্রিল থা য়ৌরকপসিদা শাবনসু য়ক লাউরম্লনি। ক্বাথাদা থোমজিন্নরিবা ময়ামসিদা খুঞ্জাশিংনা শাউবু শাউনীংলগনি। ক্বাথাদা খঙনবা খরসু লৈ। ইচেগী মচানুপী অমসু ওঙই। ককচীংগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনৈ। ক্বাথাগী মরমদা ইবা ইশামক্কী লাইরিক অমসু ফোঙখ্রে। মৈতৈনা খুন্দাবা চীংগী খুঙ্গং অসিগী চৎনরোল, পুন্সি মহিং, লাইনীং লাইচৎ, শেন্মীৎলোন্নচিংবা কয়াগী মরমদা অতোপ্পশিংনা ইবা লাইরিক, ৱারেং কয়া থেংনখ্রে। মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মদসু উবা অদুম ফংনরে। ইথন্তা হংজখি, অহেনবা অনৌবা ফংবা ঙমগদৌরিব্রা, হান্নগী হান্না অদুম হামু-হামু ওইরোইদ্রা? মোরেসু অদু মঙায় ইচৎতা চৎলগা লৈরবনি, থৌরম অমা পাঙথোক্লগা চাক-ঈশিং হোৎনরবা মতুংদা পোৎ খরা লৈরক্কনি, মসিনি ঐনা খনখিবদু। খল্লুবদু তাইওন্নরম্লে। থিজিন খোঙচৎ অদুদগী পুরকখিবদু সনা কৈথেলদগী তরেৎ শেঞ্জা তিংলগা লৈরুগে হায়বসু ফংলরোইদবনি। পুন্নমকসিগী মথক্তা ক্বাথা, মোরে, পল্লেলগী ইচিল ইনাওশিংগা ঐখোয়গা শক উনবগী নুংঙাইবা, থম্মোয় থোঙজাউ হাংদোক্লদুনা পুকমেন পাউমেন্নবা ফংবগী পেঞ্জবা কয়া পুরকখিবদো কয়াদা মমল য়ামখ্রবনো? অদুক মমল য়ামখ্রবা খোঙচৎতু তয়াং তয়াংনা লৌরুবা করিগীনো খল্লুবদা নীংঙমদে।

ক্বাথাগী লম্মীৎ তুম্মিৎনচিংবা কয়াগী মরমদা কুপথনা পঞ্জররোই। হান্না পাউ পীখিবনা খুঞ্জা অয়াম্বা লৈবীরম্লে হায়বা য়াই। খুলগী ফম্নাইবশিং, পেনা শকপনচিংবা নুপীসু য়াওনা ঐখোয়গা ফম্মিন্নদুনা ৱারীনৈ। লাইনিংথৌ নোংপোক নিংথৌ-লাইরেম্মা পান্থোইবীগী লাইশঙ শুমাংদনি। লাইশ্রম কোকঙাং, বীরেন, তখেল্লম্বম নন্দোনচিংবনা ক্বাথাগী মতম অমদা ওইরম্বা চৎন-লোনচৎ, পোকপা-শিবা, লুহোংবনচিংবগী তোপ তোপ্পা মচৎ মওং লৈজৈ হায়বদুগী মতাংদা ৱাফম থম্বীরকখি। অদুবু মমাঙঙৈদা চৎনরম্বশিং অদুদা অহোংবা কয়া লাক্লে হায়নসু পাউদম্বীরকই। খুদম ওইনা হায়রবদা ***ইগী মহুত্তা অ শীজিন্নরম্বা হায়বদি ইমাবু অমা, ইপাবু অপা, ইপুবু অপু, ইচেবু অচে, ইমাহনবু অমাহন্নচিংবা*** অসিনি। অহল্লোনশিংনা হান্নগী লোন অসি শীজিন্নরবসু নহাশিংনদি অনৌবা লোন অসি শীজিন্নরে হায়। অতোপ্পা অমনা নিঙোল ওইবীনা ময়ূম পানখিববু লুহোংবা হায়বগী মহুত্তা ***কৈথোকপা*** হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নৈ। ইপান থাববুসু ***ফক লোকপা*** হায়নৈ। নৌনা খঙজরকখিবা হীরম অমদি ক্বাথা খুন্থোক্লোনগী মরমদা অহল লমনশিংনা থম্বীরম্বা ৱারী ওজা নন্দোনা লীবিরকখিবদুনি। ৱারীদুদি - ***হৌজিক লৈরিবা ক্বাথা খুলদা লৈত্রিঙৈদা কুমজা ১২৩৭তা নুঙ্গোইতোংদা লৈরম্মী। মথংদা য়াংতক্তা অমুক লৈখি। ক্বাথাগী অৱাংদা কিলোমিটর মরিরোম চৎলগা লৈ। লাইনিংথৌ নোংপোক নিংথৌ-লাইরেম্মা পান্থোইবী অনীগী খুভম ওইরিবা মফম ওইবনা মীগা লাইগা লৈমিন্নবা য়াদে মীশি মীনা তোয়গনি হায়না মাইবীনা লাইবাউ পীরম্মী। মদুদগী হৌজিক লৈরিবা মফম অসিদা হোংলকখি। মৈতৈ নিংথৌ ক্যাম্বনা ঙারুবাক্তা ঙাপ্রুম অদুগা পোং নিংথৌনা ক্বা পুরক্তুনা ক্বাথাদা হরাউ তয়াম্না চামিন থকমিন্নদুনা পুনখি। ক্বা চাবগী কোক ঙাওরবদা ঙাপ্রুম মমৈ চারগা ফখি। মফম অদুদা নিংথৌ অনীনা ক্বা থাখি হায়দুনা ক্বাথা কৌখি।***

ইমুং অমত্তগুম্লবা ঐখোয়গা উন্নজবা পুকমেন পাউমেন্নবা তাঞ্জা ফংবদা খুঞ্জাশিংনা অদুক্কী মতিক হরাওজখি। লোন খোইবা মান্নবা লল্লোন ইতিক তৌনবা অমদি হীরম কয়াদা নকশিন্নবা মরী লৈনবা ককচীং ঐখোয়বু তোয়না লাকহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি। ম্যুজিয়মগী খুরা গৌরচন্দ্রবু নুংশিনা শোল্লকখি। মখোয়না ইম্ফাল চৎপদা কৈশামথোং কবুই খুলদা থুংলুবা অমদি মখোয়গী অচেৎপা নুংশিনবগী মরী অদু ঙসি ফাওবা লেঙদনা লৈরি হায়বগী ৱাফম থম্লকখি। ঐখোয় মশেল তোয়না উনবা, চামিন থকমিন্নবা, ৱারী-ৱাতাই তৌনবনা অপূনবগী পাঙ্গল শেমগৎনবগী লম্বীনি হায়রকই। অরৈবা পুথোক্লদুনা চামিন থকমিন্নৈ। ঐখোয়গী মায়কৈদগী লেংয়ান অমদি ককচীং বোরা খুদোল তম্লম্মী। মতুংদা নুংশি নুংশিনা ক্বাথা তুংওইনরম্লে। খঙনীংবা নৈননীংবা কয়া লৈরি। নোংমখক চৎপদুনদি নীংবা থুংলকখিদে। মতুং কয়ারক হন্না চৎপা মথৌ তারি। মসিমসু হায়রকই, ***মীগী ওইবা চৎনবীদি মতমগী মতুংইন্না হোংবা য়াই, লাইগী ওইবা থৌরমদি হোংবা য়াদে।*** মসিননি মমাঙঙৈগী মৈতৈগী চৎনবী মাঙহন্দনা থম্লিবা ক্বাথা ওইরিবসি।

মোরে চৎপা হায়বসি পোৎ লৈবা চৎপনি। মসি মী অয়াম্বনা খন্নবা ৱাখলনি। মমাঙদা চৎখিবা খোঙচৎশিংদসু মদুমক থোকখি। খোরিরোলগী ওইবা থৌরম পাঙথোকপসু য়াওখ্রে। মী ময়াম ময়াম চৎলি । ককচীং ইশাগী ইখুন্দা পাঙথোকপা থৌরমদা তানবা মী মশীংগী শরুক মরিগুম্বদি অদুম হেল্লি। অদুবু ময়ামদুগী মনুংদা থৌরমদা খোয়জংনা য়াওবদি খরখক্তনি। নমফালোংগী ৱাখলনা থৌরম য়াওফম খঙদবা ময়াম অমা য়াওই। হন্দক্তি নমফালোংসু থিংলি, অদুবু মী নীফুমাথোইনি চৎলুবদু। পোৎ লৈবা খোৎপগী ৱাখল তুংওইনরগা হান্না খঙখি তাখিদবা খরা ফংননবা থিজিনবা চৎপগী ৱাখলনা



মাঙওইনবা মী ঙাক্তনি হায়বা য়ারে। মৈতৈ কাউন্সিল, মোরেগী ওফিসতা থুংলুবা মতমদা হান্ননা য়ুথ ভলন্টরি এসোসিএসন, পল্লেলগী থৌমীশিংসু থুংলদুনা লৈরম্লে। অসুম্না পূন্না ফম্মিন্নদুনা মোরে পল্লেলনচিংবদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংগী আইদেন্টিটি, কলচর ঙাক্তুনা থম্নবা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগী মথৌ তাবশিংদু এম সী এমগী প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম থোইবা মৈতৈ অমদি ৱাই ভি এগী মায়কৈদগী থম্লকখি। মোরেদা মৈতৈ লৈকায় মঙা লৈ হায়না তাকপীরকই। হায়রিবা লৈকায় মঙা অসিগী ওইবা মপাঙ্গল কনবা লূপনি, মৈতৈ কাউন্সিল মোরে। ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা মোরেদা মৈতৈশিংসু চঙ-চঙ লাউবা ফুরুপ অমা ওইননবা য়াম্না কন্না হোৎনহৌই। মদুগী মায়পুনবা থৌদাং মৈতৈ কাউন্সিল মোরেনা লৌরি। কুমজা ১৯৯৫গী মার্চ ১২দা লিংখৎখিবা লূপ অসিনা ঙসিদি মণিপুরগী মফম কয়াদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংগা খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নরগা অৱা নুংঙাই থৌদোক কয়াদা শরুক য়ামিন্ননীংবগী অপাম্বদু ফোঙদোরকই। অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বগী ফজরবা ৱাখল্লোননি। হিষ্ট্রি সোসাইটিগী মহুৎ শিন্দুনা সেক্রেটরি ওজা ডা. পুখ্রম্বম রাজেন্দ্র অমদি এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম শরত অনীনা এম সী এমগী থৌমীশিংদা খুদোল তমদুনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী খুদম উৎখি। মীফম লোইরবা মতুংদা এম সী এমনা অচঙবা শেনফম পুন্নমক পুথোক্তুনা ময়ামগীদমক শীন লাংলম্বা চাক্লেন অদু এ সী হোটেল, মোরেদা চামিন্নখি। থোইদোক হেন্দোক্না পূক্লিং লুমজখিবদি ওজা থোইবা মৈতৈনা থম্বীরকখিবা ৱাফমসিনি - ***ময়াম্না মোরেদা লাকপদা করিগুম্বা খুদোংচাদবা থোক্লবদি মৈতৈ কাউন্সিলদা পাউ পীবিরকউ, অঙম্বা মতেং পাংজগে।*** মসিনা পূক্লিংদা ফাওহল্লি অসুম্না - ***মোরেদসু ঐখোয়গী য়ুম অমদি ইমুং মনুং মরাং কায়না লৈ। মখোয়দো মৈতৈ কাউন্সিলগী ইচিল ইনাও, ইবুং-ইপ্বাশিংনি।*** ●

# প্রোজেক্ট ইলিফেন্টনা চহী কুন্থ্রা মপূং ফারকপা

- শ্রী ভুপেন্দ্র য়াদব -
ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ

বাইওদাইভর্সিটি য়োকখৎপা হায়বসিনা অঙৈং-অশা হোংবগী শীংনবা মায়োক্লবগী খ্বাইদগী ফবা থৌরাং ওইগনি হায়বসি নোংম-নোংমগী ময়েক শেংবা হেনগৎলক্লি। অদুবু, বাইওলোজিকেল কম্ম্যুনিতিশিংগা মখোয়গী অকোয়বগী ফীভমশিংগা য়াম্না কূপ্না মরী লৈনরিবা অসিনা বাইওদাইভর্সিটি ঙাক শেনবা হায়বসি য়াম্না লূবা থৌওং অমদি ওইগদৌরি। শীংনবা অসিবু নিংথিনা মায়োক্লবা ঙম্নবগীদমক্তা খনগৎলবা কি-ষ্টোন অমসুং অমব্রেল্লা স্পিসিস ঙাক শেনবদা মিৎয়েং চঙবা খোঙথাং অমনা মসিদা তেংবাঙবা ঙমগনি। মালেমদগী মুৎখিবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী এসিয়ন ইলিফেন্ট (ইলিফেস মেক্সিমস) ঙাক শেনবা হায়বসি মতাং অসিদা মীৎয়েং চঙবা য়াবা হীরম অমনি।

শামু অমসুং ইন্দিয়া মীয়ামগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি য়াম্না চেৎলি অমসুং মালেমদা মসিগা চাংদম্ননীংঙাই লৈবা থৌওং অমত্তা লৈতে। শামুশিংবু ইন্দিয়াদা নুংঙাই য়াইফবগী খুদম অমা ওইনা লৌনৈ। মখোয় অসিদি কলচরগী আইকোন ওইবগা লোয়ননা ঐখোয়গী লাইনীং, কলা, লিটরেচর অমসুং ফুঙ্গা ৱারী কয়াগী শরুক অমনি। ইন্দিয়াগী ইপিকশিংদা শামুগী ৱারীনা থল্লি। মহাভারত অসি ভগবান গনেশনা মহাক্কী অতেকপা শামু ময়া অমগা লোয়ননা ইখিবনি হায়না ফাওবা থাজনরি।

ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৪৭তা নীংতম্বা ফংখিবদগী ইন্দিয়াগী শামুগী মশীংগী ওইরিবা ফীভম অসি অতোপ্পা লৈবাক্কী ফীভমগা চাংদম্নবদা থোইদোকপা অহোংবা লৈতে। শামুশিং অসি লম্লক্তা নৎত্রগা মীওইবশিংগী মনাক্তা মখোয়বু ঙাক শেনবীদুনা লৈবা ওইরো, শামুশিংবু আইনগী মখা পোন্না ঙাক শেনবদা খ্বাইদগী অকনবা মীৎয়েং চঙবা ৱাইল্ডলাইফ (প্রোটেক্সন) এক্ট, ১৯৭২ গুম্বা অহকপা কাঙলোন কয়া ইন্দিয়াদা লৈ। ফোরেষ্ট (কঞ্জার্ভেসন) এক্ট, ১৯৮০না শামুশিংগী লৈফম্বু মাঙথরকপা নৎত্রগা ফীভম ফৎচিল্লক্তবদগী ঙাকথোকই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা মমাঙগী চহী ৯দা পোলিটিক্সকী অচেৎপা ৱাখল্লোন অমসুং লুচিংবগী থৌওংনা শৌগৎতুনা শামুশিংবু ঙাক শেন্নবগীদমক্তা অচৌবা ইন্সটিট্যুসনেল মেকানিজম অমা শেমখ্রে। অপূনবা ওইনা য়েংলুবা মতমদা শামুশিং অসি ইন্দিয়াগী কংফালগী অপূনবা লমগী চাওরাকপা চাদা ৫দা ফংই। শামুশিংগী হৌজিক্কী লৈফমশিং অসি প্রোটেক্টেদ এরিয়া অমসুং মল্টিপল-য়ুজ ফোরেষ্টকী অতোপ্পা মখলশিং য়াওরি। মখোয়না উমং মচেৎ অমদগী অমদা চৎপদা মী তাবা মফমশিংসু ফাওরগা চৎলি।

আফ্রিকান ইলিফেন্ট ঙাক শেনবদা থেংনবা খ্বাইদগী চাওবা শিংনবা অমা ওইরিবা শামু ময়া লৌনবগীদমক্তা মখোয়বু হাৎপগী থৌওংদি ইন্দিয়াদা হৌজিক লাকশিনবা ঙম্লে। অদুবু কুমজা ১৯৭০ অমসুং ১৯৮০গী মতমদা ফীভম অসি ওইরমদে, শামু ময়াগী মালেমগী মার্কেট চাওনা লৈবনা মরম ওইরগা ময়া শাংনা পানবা শামু কয়া মতম অদুদা হাৎপীখি। মখোয়বু হাৎতোকপীবা অসিনা মখোয়বু ঙাক শেনবা অমসুং য়োকখৎপদা য়াম্না চাউনা শীংনবা অমা ওইখি। মখোয়বু ঙাক শেনবগী থৌওংদা অনৌবা ইনোৎ হাপ্নবগীদমক্তা মিসন মোদতা থবক পায়খৎপা অমসুং রাজ্য অমসুং কেন্দ্রগী মরক্তা নক্লনা তেংবাঙনবগী অচৌবা তঙাইফদবা লৈহনখি। ফীভম অসি শকখঙবদগী কৈশিংবু মূৎলুরবদগী কনবা ঙমখিবা প্রোজেক্ট টাইগরগী মান্নবা ৱাখল্লোন ইন্দুনা কুমজা ১৯৯২দা মিৎয়েং শাল্লবা প্রোজেক্ট ইলিফেন্ট হৌদোকখি।

প্রোজেক্ট ইলিফেন্ট হায়বসি শামু ঙাক শেনবা অমসুং মখোয়গী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিংদা টেক্নিকেল অমসুং শেলগী তেংবাঙ পীনবা কেন্দ্রনা স্পোন্সর তৌবা স্কিম অমনি। ইলিফেন্ট রিজর্ভশিং অসিনা প্রোজেক্ট ইলিফেন্টকী মখাদা লৈবা ফন্দামেন্টেল মেনেজমেন্ট য়ুনিটশিংনি। ঙসি ফাওবগী ওইনা ইন্দিয়া শিনবা থুংবগী 80,778 $km^2$ শন্দোক্লা পাক চাওবা মফমশিংদা মসিগুম্বা ইলিফেন্ট রিজার্ভ ৩৩ লৈ। হন্দক্কী চহী অসিদা প্রোজেক্ট ইলিফেন্টনা ইন্দিয়াদা চহী ৩০ মপূং ফারি।

প্রোজেক্ট ইলিফেন্টনা শামু ঙাক শেনবগী থবক কয়া হেনগৎলে। অপাম্বা পান্দম ফংহনবদা তেংবাঙগদবা মরু ওইবা মফমশিংদা মমাঙগী চহী অনীদা অনৌবা ইলিফেন্ট রিজর্ভ অনী শেমগৎখ্রে। দুধ্বা অমসুং মনাক নকপদা লৈবা উত্তর প্রদেশকী মফমশিংগীদমক্তা থমখিবা তেরাই ইলিফেন্ট রিজার্বনা ইন্দিয়া অমসুং নেপালগী ঙমখৈ লান্না চৎলিবা শামুশিং শেন্নবগী মতম কয়াদগী লৈরক্লবা শীংনবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা পান্দম থল্লি। টামিল নাদুগী নোংচুপ থংবা ঘাৎকী খা থংবা চীংশাংগী অগস্থিয়ারমলাই ইলিফেন্ট রিজর্ভনা পেরিয়র অমসুং অগস্থিয়ারমলাইগী মফমশিংগী মরক্তা অমুক হন্না চৎথোক চৎশিন তৌহনবদা চাউনা তেংবাঙগনি।

শামুশিং ঙাক শেনবা অমসুং শামু মীওইবগী মরক্তা পামদবা থৌদোক থোকপা হন্থহনবদা কোরিদোরগী মরু ওইবা খঙলদুনা প্রোজেক্ট ইলিফেন্টনা শামুশিংগী লম্বীনি হায়না খঙনরবা কোরিদোরশিংবু গ্রাউন্দ-ভেলিদেট তৌবগী থবকশিংবু ইন্দিয়া শিনবা থুংবদা পায়খৎলি। মশক নাইবা থৌওং অমা ওইনা, উত্তরখণ্ডগী চিল্লা-মোটিচুর, কেরলাগী তিরুনেল্লী-কুদারাকোতেগুম্বা মরু ওইবা ইলিফেন্ট কোরিদোর অমসুং অতোপ্পা কোরিদোর খরসু হান্নগী মতৌদা মায় পাক্লা হঞ্জিনহনখ্রে। খ্বাইদগী অহানবা থৌওং অমা ওইনা ওরিষাদা লৈবা মরু ওইবা কোরিদোর অমসু ৱাইল্ডলাইফ (প্রোটেক্স) এক্ট, ১৯৭২গী মখাদা কঞ্জর্ভেসন রিজর্ভ ওইনা খঙহনখ্রে।

শামুশিংগা ত্রেনগা থেঙ্গাইনবগী হীরমশিংদা মীৎয়েং চঙনবগীদমক্তা রেলৱে অমসুং এম ও ঈ এফ সী সীনা য়াম্না তোয়না উন্নরি। মন্ত্রালয় অনীমক্লা রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগ অমসুং রিসর্স ইন্সটিট্যুসনশিংগা খূৎশম্নদুনা শীংনবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক্তা কন্না হোৎনরি।

ইন্দিয়াদা শামু ঙাক শেনবগী হীরমদা খ্বাইদগী চাওবা শীংনবা অসিদি শামু অমসুং মীওইবগী মরক্তা থোকপা পামদবা থৌদোকশিংদগী লাকই। লৈঙাক্লা শীংনবা অসিবু খঙই অমসুং থৌদোক অসি হন্থহন্নবগীদমক্তা মীয়ামগীদমক্তা লৈরি। প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা যোজনাগুম্বা অফবা খোঙথাং অসিনা অৱাবা নংলবা লৌমীশিংদা মতম চানা কম্পেন্সেসন পীনবগীদমক্তা লমলক্কী শা-ঙাগা মরী লৈননা মহৈ-মরোংদা অমাঙ অতা থোকপগী হীরমসু মনুং চলহনখ্রে। মসিগুম্বা থৌদোক অসিগী তেংবাঙদা মতম চঙবা হন্থহন্নবা অমসুং মতম চানা এক্স-গ্রেসিয়া পীথোক্লবা থবকশিং পায়খৎলি।

ইন্দিয়ানা য়াম্না য়াঙনা চাওখৎলক্লিবা অমসুং শেন্মীৎলোনগী হীরমদা মাঙজিল থানা চৎলিবা অসিগী মতুংইন্না মহৌশা নাৎকী মরী ঙাকপা হায়বসিনা হৌজিক্কী মতমগী খ্বাইদগী তঙাইফদবা অমা ওইরি। ঐখোয়গী লাইগী অরিবা ৱারী, কলা, লাইনীং অমসুং হেরিটেজনা মহৌশাগা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা মিৎয়েং চঙই। এম ও ঈ এফ সী সী অমসুং অসাম লৈঙাক্লা শামু ঙাক শেনবগী ৱারোলবু মীয়ামদা য়ৌহন্নবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী ইলিফেন্ট প্রোজেক্টনা চহী ৩০ মপূং ফারকপা অসিবু তাক্লিবা গজ উৎসব পাঙথোক্কনি। গজ উৎসব অসিনা শামুগুম্বা নিংথিরবা জীবশিংবু ঙাক শেন্নবা ঐখোয় পূন্না ৱাশকমিন্নবগী প্লেটফোর্ম অমা ওইগনি। ●

*(পি আই বি ফিচর)*

## ষ্টেটকী পাউ

### ‘লম্মন শীংনিংবা অমদি অশাউবা থাদোকসি’

**ইম্ফাল, মে ৮ (ঐচ এন এস):**

হন্দক মণিপুরদা কাঙলূপ অনীগী মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকখিবা অদু ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ব্রাঞ্চনা কন্দেম তৌই।

থৌদোক অসিদা কনাগুম্বশিংনা লম্মন শীংনিংবা অমদি অশাউবা পুন্নমক থাদোক্লগা মহৌশাগুম নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা ডা. লেনিননা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা আপিল তৌখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (ইমা) গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, থৌদোক অদুদা মেদিকেলগী মহৈরোয় কয়া অমা রিলিফ কেম্পতা লৈখিবনা মীয়ামগী সেবা মপুং ফানা তৌহন্নবা তঙাই ফদনা লৈ।

তোঙান তোঙানবা মফমদা মীওই কয়া পুনশিল্লগা লৈবা অদুনা থক্লা চানবা ঈশিং মরাং কায়না ফঙদবা, খোঙহাম খুৎহাম্ফমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখিবা অমদি হকচাংদা অনা অয়েক কয়া পোক্লকপা য়াবগী মরু ওইনা ফেবর, লোক থুংবা অমদি ৱাখল লায়নানচিংবা কয়া পোক্লকপা য়াই। মখোয় মেদিকেলগী লমদা লৈবনা কা হেন্না মতেং পাঙবা ঙমদ্রগসু মখোয়গী হেল্‌ঠকা মরী লৈননা মতেং পাঙনবা হোৎনরি। থাসিগী তরাদা খুন্দ্রাকপমদা লৈবা রিলিপ কেম্পদা ফ্রি মেদিকেল কেম্প রেদ ক্রোস সোসাইটিগা খুৎশম্নরগা পাঙথোক্কনি। থাসিগী ১২ দনা ইম্ফালগী ফর্ষ্ট এম আরগী কমপ্লেক্সতা ফ্রি মেদিকেল পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। মীয়াম্না লাংতক্লবা ৱাখল পুক্লিংগী লায়না খরদি লাক্লগনি হায়বগী থাজবা মহাক্লা ফোঙদোকখি।

### নোংমাইচীংদা লাম্মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, মে ৮ (ঐচ এন এস):**

হৌজিক নোং চুদবা অসিনা মরম ওইদুনা উনা ৱানা ময়াম কেন্দুনা লৈরিঙৈ মরক অসিদা শকখঙদবা মীওই খরনা ঙসি নুমিদাং নোংমাইচীংগী মথক্তা খঙহৌদনা লাম্মৈ থারকপদগী পাক শন্না কনবা ঙমদবগী ফিভমদা চাক্লকপদগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম মীপায়নখ্রে।

লাম্মৈ অদুনা মরম ওইদুনা উমংদা লৈরম্বা জীব মচা অমদি অচৌবা কয়া চেনফম লৈতদুনা শিবা য়াওনরে হায়রি।

অমরোমদা, ঙৱাংসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈঙাং চীংদা শকখঙদবশিংনা লাম্মৈ থারম্বদগী পাক শন্না শন্দোরক্তুনা উমংগী শরুক কয়া মৈনা চাকপদগী অমাঙ অতা কয়া থোকখ্রে হায়রি।

### কংবাই অমদি তোর্বুং বংলাগী অৱাবা নঙলবা খুঞ্জাশিংদা তেঙবাংখ্রে

**ইম্ফাল, মে ৮ (ঐচ এন এস):**

থা অসিগী ৩ দা চুড়াচান্দপুরদা ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অটসুম) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অচৌবা পিছ রেল্লি অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা নক্লনা লৈবা কংবাই অমদি তোর্বুং বংলানচিংবদা লৈবা কাঙলুপ অমগী য়ুম অমদি দুকাননচিংবা মৈ থারম্বদগী অচৌবা ইরাং অমা থোরকখিবা থৌদোক অদুদা অৱা অনা নঙলবা মীতৈশিংদা ঙসি চজিং মাইরেনখোং রাইজিং ক্লবনা শীন্দুনা মোইরাংগী কৈরেনফাবীদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা চানবা চেঙ, হৱাই, থাউ, থূম অমদি ফিরোলনচিংবা মতেং পাঙখ্রে হায়রি।

মসিদা নত্তনা হাওরৈবী অৱাং লৈকায় মৈতৈ পাঙলশিংনসু লুপা লিশিং তরা অমদি ফিরোল য়াওবা খাউ তরুকসু মতেং পাঙখি। খারোম মখা লৈকায়গী খুঞ্জাশিংনসু অৱাবা নঙলবা খুঞ্জাশিং মরু ওইনা মোইরাং শন্থোং অমদি ইথিংদা হাংদুনা লৈরিবা রিলিফ কেম্পতা চেঙ, চিনি, থাউ, থুম, আলু, তিলহৌ অমদি বোই কলমনচিংবা ফিরোল য়াওনা মতেং পাঙখ্রে হায়রি।

মফম অদুদা লৈরিবা অৱাবা নঙলবা মীয়াম অদুগী অৱাবদসু মতেং পাঙবা লাক্লিবা মীওইশিংনা পুক্লিং থৌগৎতুনা মখোয়গীদমক মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাঙখিগনি হায়নসু থাজবা থমখি। মফম অদুদা লৈরিবা রিলিফ কেম্প অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওই কয়ানা মতেং পাঙবা লেপ্তুনা লাক্লরি।

### সিসিপুরগী রিলিফ কেম্পদা লৈরম্বা মীওইশিং ইম্ফালদা পুরকপা হৌখ্রে ইম্ফালগী রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিংনা সিসিপুরদা পুশিনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ৮ (ঐচ এন এস):**

থাসিগী ৩ গী চুড়াচান্দপুরদা ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অচৌবা শান্তিগী রেল্লি অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা রেল্লি অদুদা শরুক য়াবা মীওইশিংনা ফোরেষ্ট ওফিস বিটশিং মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহনবদা নত্তনা কংবাই অমদি তোর্বুং বংলাদা লৈবা অতোপ্পা ফুরুপ অমগী য়ুমশিং মৈ থাবা অমদি নোংমৈনা ব্লেঙ্ক ফায়রনচিংবা তৌদুনা লূট তৌবা কয়া চথুরকপদগী অচৌবা ইরাং অমা থোক্লক্তুনা মীশি মীনা কয়া য়াওরক্তুনা মণিপুরদা অচৌবা কাঙলূপকী ওইবা ইরাং অমা থোক্লকখি।

থৌদোক অদুগী মতুং ইম্ফাল ময়োল অমদি তম্পাক অমদি চীংগা তাইনবা মফমশিংদসু য়ুম মৈ খরা থানরক্তুনা মীশি মীনা ফাওবা য়াওখি। লৈঙাক্লা ইরাং অদু লাকশিন্নবা কার্ফিয়ু থমদুনা মীওই অমত্তা মপান থোকহন্দনা থমখি। খুদক্তা থোকপা ইরাং অদুনা মরম ওইদুনা ময়ুমদা লৈবা নঙহৌদবা মীওই কয়া থৱায় হিংনবা সেক্যুরিটি লৈবা মফমদা চঙজফম লৌদুনা লৈখি। চুড়াচান্দপুরগী ন্যু সেক্রেটরিয়েটতা মীওই লিশিং অহুল্লোম অসাম রাইফলস, সি আর পি এফ, আই আর বি, কম্মান্দানচিংবনা থমখি। মীওই ১৭০০ রোম্না চুড়াচান্দপুরদা লৈবা ৩৬ শুবা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈখি।

মোরেগী অসাম রাইফলস কেম্পতসু মীওই ১৭০০ রোম চঙজফম লৌদুনা লৈখি।

মরকসিদা কাঙলূপকী ইরাং অদু সেক্যুরিটি ফোর্স থাজিন্দুনা ইরাং খরা হন্থরকপদগী ঙসি চুড়াচান্দপুরগী রিলিফ কেম্পতা লৈরম্বা মীওই চা কয়া ঙসি সেক্যুরিটিনা ঙাক শেল্লগা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পুথোরকপা হৌখি।

ইম্ফালগী ফর্ষ্ট এম আর, সেকেন্দ এম আর অমদি লম্ফেলগী সি আর পি এফ কেম্প মনুংদা লৈরম্বা কুকিশিংসু সেক্যুরিটিনা ঙাক শেল্লগা চুড়াচান্দপুররোমদা পুশিনবা হৌখি।

অদুবু কৈথেলমানবী অমদি কাংপোকপীরোমদা চৎখিগদবা কুকিশিংদি ইম্ফালদগী নুমিৎ নীনিগী মমাঙদগী মশা মশাগী ময়ুমদা সেক্যুরিটিনা ঙাক্লগা থীনবা হৌখ্রবনি হায়রি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।